# রেবেলশিংনা অলেপ্পোদগী লাঞ্জেল্লিবা রিফ্যুজিশিংদা অথিংবা পীখ্রে



বৈরুট, নবেম্বর ২৩ :
রসিয়ানা বেকিং পীবা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা হান্নদগী লাঙ্গৈই চন্দুনা থন্বা মফমদা চথুবা বোম্মিংশিং কনখৎখিবগা লোয়ননা ইমুং দজন কয়ানা ইষ্টর্ন অলেপ্পোদগী চেম্হোক্লবা হোৎনবদা রেবেলশিংনা অথিংবা পী হায়না সিরিয়াগী মোনিটরিং গ্রুপ অমনা হায়রি।

অসিগুম্বা ক্লেমশিং ভেরিফাই তৌবা লুই অমসুং লৈরিবা ৱাফমগী প্রোপেগন্দা ভেল্যুনা মরম ওইদুনা তোয়না ওন্থাং-ওনশিন তৌই। সিরিয়ন অমসুং রসিয়ন ষ্টেট মিদিয়ানা রেবেলশিংনা এনক্লেভ অদুগী লেমহৌরিবা মীশিং ২৭৫,০০০ হ্যুমেন সিল্ডশিং ওইনা ফাজিন্দুনা থল্লি। অমরোমদা, গভর্ণমেন্টকী এয়র ফোর্সনা ইষ্টর্ন অলেপ্পোগী হোস্পিটালশিং অমসুং ফার্ষ্ট রেস্পোন্দর গ্রুপশিংদা এয়র ষ্ট্রাইকশিং চথুখি।

ওপোজিসনগী মায়কৈদগীদি মীচমশিংনা গভর্ণমেন্টকী তৌনিংবদা তৌবা লৈঙাক অমুক হন্না পাল্লরোই হায়বদু উৎপা পাল্লি। সিরিয়ন প্রসিদেন্ট বাশর অল অসাদনা চহী তরুক শুরক্লবা অচৌবা ঈহৌ অমা নমথনবা শোক্লরক্লিবা লাল রসিয়ানা মিলিটরিগী মতেং চাউনা পীদুনা শৌগৎলি। লাল অদুদা মীওই ৩০০,০০০ হেন্না শিখ্রে।

অলেপ্পোগী ফ্রন্টলাইন শৈইখ মাকসৌদ নৈবরহুদতা লৈবা মীওই অমনা বৃটেনদা বেজ তৌবা সিরিয়ন ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইস মোনিটরিং গ্রুপকী ৱারোলগা মান্ননা পাউদমখি। গ্রুপ অসিনা গভর্ণমেন্ট অমসুং এন্টি-গভর্ণমেন্ট ইন্সটিট্যুসনশিংগী কন্টেক্টশিংগী নেটৱার্ক অমা শিজিন্নদুনা লাল অদু শেন্নরিবনি।

হাজ মোহম্মদ অল-জাসিমনা এসোসিয়েটেদ প্রেসতা হায়খি, মহাক্কী মখুরাশিংগী ইমুংশিং ইষ্টর্ন অলেপ্পোগী বুষ্টান অল-বাশা নৈবরহুদতগী কর্দশিংনা মশিং য়াম্না লৈবা শৈইখ মাকসৌফ এনক্লেভতা চঙশিন্নবা হোৎনখি।


‘ফীভম য়াম্না লুশিল্লকপনা মরম ওইদুনা মখোয়না কর্দিশ এনক্লেভ অদুদা চঙশিনবা পামখি’ হায়না অল-জসিমনা হায়খি। ফোন লোকেসন সার্ভিসকী খুথাংদা মহাক্না মহাক্কী লোকেসন অল-রিজগী মনাক্তনি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, মহাক্কী মরী মতাশিংনা মঙোন্দা মখোয় অয়ুক নুংথিলগী মতমদা চৎননবা শেম শাখি তৌইগুম্বসুং রেবেল গ্রুপ অহুম্না মমদ্রিফাওবা ঙাইনবা হায়রকখি।

‘অসুম্না হায়খিবা রেবেলশিংনা নুমিদাংগী মতমদা রিফ্যুজিশিংনা চৎপা য়াদনবা সেলশিং কাপশিনবা হৌরকখি। ইমুং য়াঙ্খ্রেরোম লানশিন্নবা শেম শাদুনা লৈ হায়না অল জসিমনা হায়খি।

ওটোনোমস কুর্দিশ দিফেন্স ফোর্সেস ৱাই পি জিনা অরাকপা ইমুং খুদিংমক শৈইখ মাকসৌফতা লৈফম পীগনি নৎত্রগা ওপোজিসন্না পায়শিল্লিবা অজাজ নৎত্রগা কুর্দিশ কাঙবুনা পায়শিল্লিবা অফ্রিন য়ৌগদবা লম্বী সিক্যুঅর ওইহনগনি হায়না থাজবা পীখ্রবনি হায়না অল-জসিমনা ফোঙদোকখি।

# নোর্থ কোরিয়াগী থ্রেটকা মরী লৈননা সাউথ কোরিয়া, জপান্না ইন্টেলিজেন্স সিয়ারিংগী ৱাফম য়ানখ্রে



সিওল, নবেম্বর ২৩ :
নোর্থ কোরিয়াগী মিসাইল অমসুং ন্যুক্লিয়র এক্টিভিটিশিংনা অকিবা পোকহল্লবা সাউথ কোরিয়া অমসুং জপান্না অরুবা ইনফোর্সমেন সিয়র তৌনবগী মিলিটরি ইন্টেলিজেন্স পেক্ট অমা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা সাইন তৌনখ্রে হায়না সাউথকী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা হায়রি।

কুমজা ১৯১০ দগী অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাউ লোইবা ফাওবদা জপান্না কোরিয়াদা লোইলম লৈঙাক চথুখিবা মতমদা উবা ফংখিবা জপানগী থৌওং কয়াগী মতাংদা পেন্দদুনা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টি খরনা অমসুং মীওই সেক্সন কয়ানা অথিংবা পীখ্রবসু সাউথ কোরিয়ন গভর্ণমেন্টনা দিল অদু সাইন তৌনখি।

জেনরেল সিক্যুরিটি ওফ মিলিটরি ইনফোর্সমেন এগ্রীমেন্ট অদু হান্না কুমজা ২০১২ দা সাইন তৌনবা হায়না লৈখিবনি, তৌইগুম্বসুং লৈবাক মনুংদা অথিংবা পীরকপদগী সাউথ কোরিয়ানা মদুগী মতম য়ৈথোকখি।

অদুম ওইনমক নোর্থ কোরিয়ানা তোঙান-তোঙানবা মিসাইলশিং থুনা চাংয়েং তৌরকপা অমসুং মিসাইলদা ন্যুক্লিয়র ৱারহেদ হাপ্পা ঙম্লগনি হায়না ক্লেম তৌখিবগা লোয়ননা য়ুল্লোন্নবা লৈবাক অনীগী মরক্তা ইন্টেলিজেন্স সিয়ারিং হেনগৎহন্দবা য়াদবগী ফীভম লাকখি।

পিয়োংয়াংবু শৌগৎপা খ্বাইদগী মরু ওইবা লৈবাক ওইরিবা চাইনাগী ফোরন মিনিষ্ট্রিনা হায়খি, এগ্রীমেন্ট অদুনা কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা টেন্সন হেনগৎহনগনি। নোর্থ কোরিয়াবু শৌগৎপা মরু ওইবা লৈবাক ওইজরবসু বৈজিংনা পিয়োংয়াংগী মিসাইল অমসুং ন্যুক্লিয়র টেষ্টশিং কন্দেম তৌখিবনি।

# বাংলাদেশনা ম্যান্মারগী রোহিংয়াশিং চঙহনখিদ্রে

ধাকা, নবেম্বর ২৩ :
অপীকপা হিশিং তোংদুনা বাংলাদেশতা চঙনবা লাকখিবা রোহিংয়া ১০০ হেন্না বাংলাদেশকী কোষ্ট গার্দনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা চঙহনখিদ্রে।

ম্যান্মারগা কিলোমিযর ১৬৮ শাংবা বোর্দর লোননা লৈমিন্নরিবা বাংলাদেশনা অহেনবা রোহিংয়া রিফ্যুজিশিং লৌশিন্দনবগী ফীরেপ অমা লৌখিবদগী হিনাওশিং তোংদুনা লাকখিবা রোহিংয়াশিং কোষ্ট গার্দনা লৈবাক অদুদা চঙবা থিংখিবনি। য়ুমথংনবা ম্যান্মারগী রাখিনে ষ্টেটতা মিলিটরি ক্রেকদাউন অমা চথুবদগী রোহিংয়া রিফ্যুজিশিংদুনা লৈবাক্তু থাদোক্তুনা চেনখিবনি।

হৌখিবা ওক্টোবর ৯ দা রাখিনেদা লৈবা আউটপোষ্ট অহুমদা লালহৌবশিংনা বোর্দর পুলিস পার্সনেল মাপন হাৎখিবা মতুংদা মিলিটরি ক্রেকদাউন অদু হৌখিবনি। রাখিনেদা চাউরাক্না রোহিংয়া মিলিয়ন অমা লৈ। মখোয়বু মশিং য়াম্বা বুধিষ্টশিংনা বাংলাদেশতগী অরানবা মওংদা চঙশিল্লকখিবা ইলিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিংনি হায়না লৌই।

মিলিটরি ক্রেকদাউন অদু হৌখিঙৈদগী মীওই ৮৬ শিখ্রে হায়না ম্যান্মার ওথোরিটিশিংনা কনফার্ম তৌখ্রে। মখোয়গী মনুংদা ৬৯ দি মিলিটেন্টশিংনি হায়না চিংনখি। রাইটস গ্রুপশিংনদি শিখিবশিংগী মশিং পীরিবা ফিগরসিদগী য়াম্না হেল্লি হায়না ক্লেম তৌরি।

য়ু এন ঐচ সি আরগী মতুং ইন্না, ঈরাং অদুদা মীওই ৩০,০০০ ময়ুম-মকৈ থাদোক্লখ্রে। য়ু এননা বাংলাদেশতা লৈবাকসিগী বোর্দর হাংনবা তকশিনখ্রবনি।
রোহিংয়াশিংনা অরানবা মওংদা চঙশিল্লকপা অসি বাংলাদেশকী ওইনা নুংঙাইতবা ইস্যু অমনি। লোনা য়াদবা রোহিংয়া ইম্মিগ্রেন্টশিং ঐখোয়না ঐখোয়গী লৈবাক্তা চঙহনবা পামদে হায়না বাংলাদেশকী হোম মিনিষ্টর অশাদুজমন খানা চয়োলসিদা পাউমীশিংদা হায়খি।

# ‘অল কাইদাগী সিনিয়র লিদর য়ু এসকী দ্রোন ষ্ট্রাইক্তা শিখ্রে’

ৱাশিংটন, নবেম্বর ২৩ :
হান্না অফঘানিষ্টানদা ওপরেট তৌখিবা সিরিয়াগী অল-কাইদাগী সিনিয়র লিদরনি হায়বা অমা য়ু এসনা চথুখিবা দ্রোন ষ্ট্রাইক অমদা শিখ্রে হায়না দিফেন্স দিপার্টমেন্টনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা লাউথোকখ্রে।

সিরিয়াগী অৱাং-নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা সর্মাদাগী মনাক্তা হৌখিবা নবেম্বর ১৮ দা চথুখিবা দ্রোন ষ্ট্রাইক অদু অবু অফঘান অল মশরিদা টার্গেট তৌখি হায়না পেন্টাগোনগী প্রেস সেক্রেটরি পিটর কুকনা হায়খি।



অফঘানিষ্টানদা লৈরিবা য়ু এস অমসুং কোলিসনগী ফোর্সশিংদা এটেক কয়া চথুবা গ্রুপশিং অমসুং নোংচুপ লোমগী লৈবাকশিংদা টার্গেট তৌনবা লাল্লোং চথরিবশিং য়াওনা মহাক সাউথৱেষ্ট এসিয়া অপুম্বদা ওপরেট তৌরিবা টেররিষ্ট গ্রুপশিংগা মরী লৈনৈ হায়না কুকনা হায়খি।

অল-মশরি ইজিপস্যান অমনি। অহানবদা মহাক অফঘানিষ্টানদা অল কাইদাদা য়াওখি অমসুং তুংদা গ্রুপ অসিগী সিরিয়ন এফিলিয়েটতা চঙশিনখি হায়না কুকনা ফোঙদোকখি।

পেন্টাগোন্না খুদক্কী ওইনা মশরিগী মরমদা মখা তাবা ইনফোর্মেসন পীখিদে। মহাক অল কাইদাদা সিনিয়র লিদরশিপ রোল অমা লৌখি হায়নদমক পনখি।

‘মসি অল কাইদাগী থবক থৌরমশিং শিল-লাংবদা মতেং পাংখিবা মীশক অমনি হায়না কুকনা হায়খি। য়ু এসনা লুচিংবা কোলিসন্না সিরিয়াদা আই এস আই এসকী টার্গেটশিং অসিদা অল কাইদাগা মরী লৈনবা নুশরা ফ্রন্ট য়াওনা অতৈ গ্রুপ কয়াগী লিদরশিংদসু হিট তৌখি। নুশরা ফ্রন্ট অসি ফাটাহ অল-শাম হায়না নৌনা মমিং থোন্দোকখ্রবনি।

হৌখিবা ওক্টোবরদা পেন্টাগোন্না হায়খি, নুশরাগী সিনিয়র লিদর অমা টার্গেট তৌদুনা ইদলিবকী মনাক্তা এয়র ষ্ট্রাইক চথুখি। ইজিপস্যান মচা অহম্মদ সলামা মাব্রৌক কৌবা নুশরাগী সিনিয়র লিদর অদু অবু ফারাজ হায়রগসু খঙনখি।

# ‘ত্রম্পপু প্রসিদেন্ট খনখিবদা ঐঙোন্দা অৱাবা অমত্তা লৈতে’

উল্যাননাটর, মোঙ্গোলিয়া, নবেম্বর ২৩ :
দোনাল্ড ত্রম্পপু য়ু এসকী প্রসিদেন্ট ওইনা খনখিবসিদা মঙোন্দা অৱাবা করিমত্তা লৈতে হায়না লোইদা লৈরিবা দিটৈটোন স্পিরিচুয়েল লিদর দলাই লামানা য়ুমশাকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। বিজনেসমেন অদুনা মহাক্কী তুংগী পোলিসীশিং অদু মালেমগী অশেংবা ফিভমশিংগা চাননা শেমদোরক্কনি হায়বগী থাজবা মঙোন্দা লৈ হায়রদুনা স্পিরিচুয়েল লিদর অসিনা দোনাল্ড ত্রম্পকী মরমদা ৱাফমসি ফোঙদোকখিবনি।



কুমজা ১৯৮৯ দা নোবেল পিছ প্রাইজ ফংখিবা স্পিরিচুয়েল লিদর অসিগী ৱারোলশিং অসি রিয়েল ইষ্টেট টাইকুন অমসুং রিয়েলিটি টি ভি ষ্টার অদুনা মীখলদা মায় পাকখিবা মতুংদা মহাক্কী মরমদা পাক শন্না য়ৌশিনবা কম্মেন্টশিংনি। রিয়েল ইষ্টেট টাইকুন অসি মতম পুম্বদা অমেরিকাগী হান্না হায়না ফোঙদোক্তুনা লাকপগা লোয়ননা ৱাশিংটন্না মমাঙঙৈদগী মরু ওইনা লৌদুনা লাকপা গ্লোবেল দিমোক্রেসি অমসুং সোসল জষ্টিসতা পুক্নিং চঙদবা মীশক অমা ওইরকখি।

মোঙ্গোলিয়াদা নুমিৎ মরিনিগী খোঙচৎ অমা লোইরকপদা মহাক্কী কম্মেন্টশিং ফোঙদোক্লদুনা টিবেটান বুধিজমগী লুচিংবা অদুনা হায়খি, জন্যুৱারী ২০ দা ওফিস পায়বা হৌরবা মতুং খরা লৈরগা মহাক্না ত্রম্পকা উননবা হোৎনগনি। মখোয়নি উনবগী থৌরাং লৈ নৎত্রগা লৈতে হায়বদু খুদক্কী ওইনা খঙবা ঙমখিদে। অসিগুম্বা মীটিংশিং মহৌশানা বৈজিংনা প্রোটেষ্ট তৌদুনা লাকখি। চাইনাদগী টিবেটপু তোখায়না লৈহন্নবা হোৎনৈ হায়না বৈজিংনা দলাই লামাবু মরাল শীরিবনি।

মশাগী চহী ৮১ শুরবা লাইনিংবা অদুনা হায়খি, মহাক্না মতম পুম্নমক্তা য়ু এসপু ‘ফ্রী ৱর্ল্ড’গী লিদরনি হায়না লৌই অমসুং ত্রম্পনা মীখলগী কেম্প্যেন মনুংদা ফোঙদোকখিবা ৱারোলশিং মহাক্না লুনা লৌদে। ত্রম্পকী কম্মেন্ট খরদি মুস্লিমশিং, হিসপানিকশিং অমসুং অতৈ য়ু এসকী মাইনোরিটি গ্রুপশিংদা শোক্লিংঙাই ওইখি।


‘মীখল মনুংদা কেন্দিদেটকী ফোঙদোক্লিংবা ফোঙদোকপগী ফ্রীদম হেন্না লৈ হায়না ঐহাক্না লৌই। হৌজিক্তি মীখলদা মায় হেক পাকপগা মখোয়গী রেস্পোন্সিবিলিটি খঙনা তাথোক-তাশিন তৌদুনা, থাঙ্গৈশেংনা লৈরিবা ফীভমশিং য়েংলগা মখোয়না থবক তৌরক্কনি। অদুনা ঐঙোন্দা অৱাবা লৈতে’ হায়না দলাই লামানা পাউমীশিংদা হায়খি।

চাইনানা মোঙ্গোলিয়াদা লৈবাক অনীগী মরী ফীভম ফনা লৈহন্নবগীদমক্তা মহাক্কী খোঙচৎ অদু য়াহন্দনবা দিমান্দ তৌখি। ‘মোঙ্গোলিয়াগী শেল-থুমগী ফীভম চাইনাগী মখা য়াম্না পোন্না লৈ অমসুং লৈবাক অনীনা হৌজিক চাইনাগী দোলর বিলিয়ন ১.২ গী লোন অমগী মরমদা খন্ন-নৈনরিবনি।

মোঙ্গোলিয়াগী টেলিভিজন ষ্টেসন ইগল টি ভিগী ৱেবসাইটনা দলাই লামাগী খোঙচৎ অদুনা মরম ওইদুনা চাইনানা লোনদুগী অমসুং মাইনিংগী লমদা কো-ওপরেসন পীনবগী ৱারী শানবা থিল্হহনখ্রে হায়না ফোঙদোকখি। মোঙ্গোলিয়াগী ফোরন মিনিষ্ট্রিনা হায়খি, মখোয়না নোটিশ অমত্তা ফংখিদে। চাইনাগী ফোরন মিনিষ্ট্রিনা কনফার্মেসনদি পীখিদে তৌইগুম্বসুং মোঙ্গোলিয়ানা খোঙচৎ অদুগী পামদবা ফলশিং লৈহন্দনবা খোঙথাংশিং লৌখৎকদবনি হায়খি।

‘দলাই লামাগী খোঙচৎতুগা মরী লৈননা মোঙ্গোলিয়নশিংনা চাইনা-মোঙ্গোলিয়া মরীগী পোলিটিকেল য়ুম্ফমদা শোক্লিংঙাই ওইবা অরানবা এক্সন খরা তৌখ্রে। মদুনা বাইলেটরেল মরী চাউখৎহনবদা নেগেটিভ ইমপেক্ট অমা পীরে’ হায়না স্পোক্সমেন গেং সুৱাংনা পাউমীশিংদা হায়খি।

# জেনরেল রহীলবু ফিল্ড মার্সেল ওইহন্নবা পাকিষ্টানগী সুপ্রিম কোর্টতা হায়জখ্রে



ইস্লামাবাদ, নবেম্বর ২৩ :
নেসনল সিক্যুরিটি ঙাক শেনবদা অমসুং পাকিষ্টানগী ফ্রন্টিয়রশিংবু তেক্ত-কায়দনা থম্বদা মহাক্না লৌখিবা থৌদাং অদুগীদমক্তা আর্মি চীফ জেনরেল রহীল শরিফতা ফিল্ড মার্সেলগী টাইটল পীনবগী ওর্দর অমা থোক্নবা পাকিষ্টানগী সুপ্রিম কোর্টতা হায়জখ্রে।

পিটিসন অদু দিষ্ট্রিক্ট বার এসোসিএসন, ৱরালপিন্দিগী ইগজেক্যুটিব মেম্বর অমা ওইরিবা সরদার সালীম খান মজরিনা থাঙ্গৎখিবা আপিল অমনি। মমাঙদা মান্নবা প্লি রিজেক্ট তৌখিবা লাহোর হায় কোর্ট ৱাৱালপিন্দি বেঞ্চনা ওক্টোবর ১৮ দা তাখিবা জজমেন্টগী মায়োক্তা আপিল অদু থাঙ্গৎখিবনি।

আপিল অদুগী মতুং ইন্না, হায় কোর্টকী জজমেন্ট অদু মালেম পুম্বনা রিকগনাইজ তৌবা ফম অদুগী মেরিটকী মরমদা করিমত্তা খন্নদনা থোকখিবনা লৈবাক্কী লো অমসুং কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তা ওই। আপিল অদুদা সরদার মজারিনা ফিল্ড মার্সেলশিংগী হিষ্ট্রি পনখি অমসুং লৈখিদ্রবা প্রসিদেন্ট মুহাম্মদ অয়ুব খাননসু ফমসিমক পায়খিবনা অসিগুম্বা ফমশিং প্যাকিষ্টানদসু লৈখি হায়বা উৎলি।

পিটিসন অদুদা কেবিনেট দিভিজনগী খুথাংদা ফেদরেল গভর্ণমেন্ট, প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফ অমসুং দিফেন্স মিনিষ্ট্রিবু রেস্পোন্দেন্টশিং ওইহনখি।

সরদার মজাইনা মহাক্কী পিটিসন অদুদা পাকিষ্টানগী মীয়ামদা অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা জেনরেল রহীলনা মহাক পোরম কয়া উবা ঙম্বা লিদরনি হায়বসি উৎখ্রে। মহাক্না পাকিষ্টানগী কন্সটিট্যুস্নেল ফ্রন্টিয়র্সকা চাননা তাংজনিঙাই ওইরবা মওংদা অনৌবা দিরেক্সন অমসুং হোপ পীখ্রে হায়না পনখি।

ওপরেসন জর্ব - ঈ-অজবনা টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসনশিংগী কাহেনবা দিজাইনশিং ময়াই চমহনখ্রে অমসুং হৌজিকসু ওপরেসন অসি লোইদ্রি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মহাক্না গ্লোবেল টেররিজম ইন্দেক্স (জি টি আই) ২০১৬ কী রিপোর্ট হাইলাইট তৌরদুনা হায়খি মদুদি, হৌখিবা চহীদা পাকিষ্টানদা টেররিষ্ট এক্টিভিটিশিং শিংথানিংঙাই ওইনা হন্থখি। টেররিষ্ট এটেক চাদা ৪৫ হন্থখি অমসুং শিবগী চাংসু চাদা ৩৮ হন্থখি। মসি পাকিষ্টানদা টেররিষ্ট এক্টিভিটিশিং হন্থরকপা উবা থংন-থংননা অনীশুবা চহীনি।

HL-B/3401/20/10-19/11




## EMPLOYMENT NEWS

**Indian Oil Corporation Limited – IOCL Recruitment 2017 – 60 Jr. Engineering Assistant Vacancy – Last Date 05 December 2016**

**IOCL Recruitment 2017**

Indian Oil Corporation Limited (IOCL) invites Application for the post of 60 Jr. Engineering Assistant from its passed-out Ex-Apprentice. Apply before 05 December 2016.

**Job Details :**
Post Name : Jr. Engineering Assistant-IV
No of Vacancy : 60 Posts
Pay Scale : Rs. 11900-32000/-

**Eligible Criteria for IOCL Recruitment :**

Educational Qualification : Minimum 3 Years full time, regular/sandwich Diploma in relevant Engineering OR B.Sc.(Math,Physics,Chemistry or Industrial Chemistry) from a recognized Institute/University with minimum of 50% marks in aggregate for General & OBC candidate & 45% in aggregate in case of SC/ST candidates against reserved positions.

Nationality : Indian
Age Limit : 18 to 26 years As on 31.10.2016
**Age Relaxation :**
For OBC Candidates : 03 years
For SC/ST Candidates : 05 years
For PWD Candidates : 10 years

**Job Location : Haryana**

**Selection Process :** Selections for engagement would be based on Written Test or Skill/Proficiency/Physical Te.

**Application Fee :** General & OBC Candidates Have to Pay Rs.100/- through Demand Draft in Favour of Indian Oil Corporation Limited payable at SBI Baholi, Panipat (Brach Code-8706). SC/ST candidates are exempted from payment of application fee.

**How to Apply IOCL Vacancy :** Interested candidates may apply in Prescribed Application form along with relevant document send to the Chief Human Resources Manager, HR Department, Panipat Refinery & Petrochemical Complex, Panipat, Haryana-132140 on or before 05.12.2016.

**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Application : 05.12.2016

**Important Links :**
Detail Advertisement & Application Form Link : https://www.iocl.com/download/RECTT_JEA-IV_2016-17.pdf\\

**Bhabha Atomic Research Centre – BARC Recruitment 2017 – 168 Stipendiary Trainees, Upper Division Clerk & Technician – Last Date 13 December 2016**

**BARC Recruitment 2017**

Bhabha Atomic Research Centre invites applications for the post of 168 Stipendiary Trainees, Upper Division Clerk & Technician. Apply Online before 13 December 2016.

Advt. No. : 1/2016(R-I)

**Job Details :**
Post Name : Stipendiary Trainees
No. of Vacancy : 157 Posts
Pay Scale : Rs.6200/- (per month)

Post Name : Upper Division Clerk
No. of Vacancy : 10 Posts
Pay Scale : Rs.25500/-

Post Name : Technician-C
No. of Vacancy : 01 Post
Pay Scale : Rs.25500/-

**Eligibility Criteria for BARC Recruitment :**

Educational Qualification :
For Stipendiary Trainees : HSC in Science stream (with Physics, Chemistry and Maths subjects) with a minimum 60% marks in aggregate or SSC (with Science and Maths) with a minimum 60 % marks in aggregate PLUS trade certificate in relevant Discipline

For Upper Division Clerk : A degree (Graduate) in Arts, Science or Commerce of a recognized university or equivalent with an aggregate of 50% marks.

For Technician : SSC + First Class Boiler Attendant's Certificate issued by the Competent Authority.

Nationality : Indian
Age Limit :
For Stipendiary Trainees : 18 to 22 years
For Upper Division Clerk : 18 to 27 years
For Technician : 18 to 25 years

**Job Location : Maharashtra**

**Application Fee :** Candidate have to pay Rs.100/- through Challan. No fee is required to be paid by candidates belonging to SC/ST/PWD/ Ex-Service men/ Women.

**How to Apply BARC Vacancy :** Interested Candidates may apply Online through the website http://www.barc.gov.in from 19.11.2016 to 13.12.2016.

**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application : 19.11.2016
Last Date for Submission of Online Application : 13.12.2016

**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.barc.gov.in/careers/vacancy350.pdf

**Apply Online :** https://barcrecruit.gov.in/barcrecruit/main_page.jsp?do=init&action=home&process=47D81480966090375685C2144080977C